# এসেমব্লি মীফমনা মণিপুরদা আইএলপি চৎনহন্নবা সেন্টরদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

## আইএলপি মণিপুরদা চৎনহনগদবনি হায়না লাওবগী মহুৎতা বি জে পি, সি পি আইনসু পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনবীয়ু - *ইবোবী*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ* মণিপুর বিধান সভানা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) চৎনহন্নবা ভারত সরকারদা খঙহন্নবা মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে। মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনগদবনি হায়না মচিন্দদা লাওদুনা লৈবগী মহুৎতা বি জে পি অমদি সি পি আইনসু চৎনহন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনবীয়ু হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ ডাঃ আই ইবোহলবী, অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমার অমসুং থোংজু কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ বিশ্বরজিৎনা পুন্না মণিপুরদা ‘‘দি বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রেগুলেসন ১৮৭৩’’ চৎনহন্নবা পুখৎলকখিবা প্রাইভেট মেম্বরস রিজোলুসন অদু হাউসতা খন্নরবা তুংদা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহন্নবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

প্রাইভেট মেম্বরস রিজোলুসন অসিগী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর সরকারনা লমদম অসিদা আই এল পি চৎনহনবদা থিংবা লৈতে। হৌখিবা চহি ৩ রোম অসি সরকারনা আই এল পিগী মতাংদা সেরিয়সলি খন্নদুনা লাক্লি।

হৌখিবা ৯ শুবা এসেমব্লিদা সি পি আইগী এম এল এ মঙ্গিনসু আই এল পি চৎনহন্নবা ৱাহং হংলকখিবা অমদি এম পি পি গী ও জয়না প্রাইভেট মেম্বরস রিজোলুসন ওইনা পুখৎলকখিবা লৈখ্রে।

হৌখিবা চহি ২০০৮ দা ফ্রেন্দসকী সাপমচা যাদুমনিনা হায় কোর্টতা পি আই এল অমা থাঙ্গৎলকপদগী সেব-জুদিস ওইবদগী হাউসতা খন্নবা য়াদনা লৈখিবনি। মতম অদুদা হাউসতা সি এমনা লান্না মিসলিদ তৌরে হায়না হায়রগ্গা মীওইনা হন্দক্তা জুলাই ৪ দা পি আই এল অদু কোর্টতগী ৱিঠদ্রো তৌখ্রে।

নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, অমদি মিজোরামদা ইং ১৮৭৩ দগী হৌনা আই এল পি চৎনদুনা লাকপনি। মতম অদুদা ভারত কন্সটিট্যুসন লৈত্রি।

আই এল পি চৎনহনবা হায়বসি ষ্টেটকী মেট্টরগী মখাদা লৈতে। মণিপুর সরকারনা কেবিনেট অমদি সি এল পি ফমদুনা মসি মণিপুরদা চৎনহনবা য়ানবা কয়ারক হন্না খন্নখি।

হাউসতা লৈবা রুল্লিং অমদি ওপোজিসন অনিমক্না অমত্তা ওইনা পুন্না ৱারেপ লৌদুনা আই এল পি চৎনহন্নবা তকশিনবা হায়বা ৱারেপ লৌখি।

ইবোবীনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশ অমসুং সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা আই এল পি মণিপুরদা চৎনহনগদবনি হায়না মণিপুরদা পংলাওদা লাওবগী মহুৎতা মখোয়-মখোয়গী পার্টিগী সেন্টরদা লৈবা হায় কম্মান্দদা তকশিন্দুনা পার্লিয়ামেন টতা পুথোক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনবীয়ু। মণিপুর প্রজা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবিয়ু।

কংগ্রেস পার্টিগী ওইনসু সেন্টরগী হায় কম্মান্দদা আই এল পি চৎনহন্নবা কন্না তকশিল্লি।

নেপাল, পাকিস্থান, বঙ্গলাদেশ অমদি ম্যানমারদগী ষ্টেট অসিদা চংশিল্লকপা ফোরেন্নরশিং থিংসি।

ভারতকী ওইনা লৈবাক অসিগী প্রজা অমনা লৈনিংবা মফমদা লৈবা য়াবগী অয়াবা পীরি। মণিপুর লেন্দ রিফোর্ম শেমদোক্তুনা লমদম অসি কন্নবা হোৎনরগনি। এগ্রিকলচরেল লেন্দ কন্নবা হোৎনগনি। রুল্লিংগী মায়কৈদগী মণিপুর প্রজা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা আই এল পি চৎনহন্নবা তকশিনগনি হায়না ইবোবীনা ফোঙদোকখি। প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন পুখৎলদুনা এম এল এ ডাঃ ইবোহলবীনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরী জাতি কন্নবা আই এল পি সিষ্টেম মণিপুরদা চৎনহনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা অমনি। হাউসকী মেম্বর খুদিংমক্না আই এল পি চৎনহন্নবা পুন্না ৱারেপ লৌসি।

ইং ২০০১ গী মীকোক থিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী মীশিং অসি ২২,৯৩,৮৯৬ নি। মদুগী মনুংদা মীতৈ মশিংনা ৭,৫১,৮২২, নন-মণিপুরী মশিংনা ৭,০৪,৪৪৮, ত্রাইবেল মশিংনা ৬,৭০,৭৮২ অমসুং মীতৈ পাঙল মশিংনা ১,৬৭,২০৪ নি।

নন-মণিপুরী মীতোপকী মশিং লাক্ষ ৭.০৪ য়ৌরকপা অসিনা মণিপুরগী ইন্দিজেনস মীশিংদা অচৌবা চৈফু চৈথেং পীগনি। লমদম অসিগী কলচর, ত্রেদিসন, আইদেন্টিটি মাংখিবা য়ানা লৈরি।

মণিপুরদা অকনবা মীয়ামগী ইরাং লাক্ত্রিঙৈদা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা আই এল পি মণিপুরদা চৎনহন্নবা হোৎনসি। হাউসতা পাস তৌদুনা চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌসি হায়না ইবোহলবীনা ফোঙদোকখি।

অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখিবদা আই এল পি সিষ্টেম অসি মণিপুরগী তুংগী মীয়ামগী য়েংলগা মণিপুরদা চৎনহন্দ্রবা য়াদ্রবা ওইবনা খুদক্তা হাউসনা ৱারেপ লৌদুনা চৎনহনসি হায়খি।

থোংজু কেন্দ্রগী এম এল এ থোঙাম বিশ্বরজিৎনা ফোঙ-দোকখিবদা আই এল পি সিষ্টেম অসি মণিপুর প্রজাগী সেন্টিমেন্ট য়েংলগা চৎনহনসি হায়খি।

# কে বি শর্ম্মা সেক্যুরিটিনা উন্নহল্লকখিদ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ১৩:*** ঙসি এসেমব্লিনা ষ্টেটসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহন্নবা লৌখিবা দিসিজন অদু অনৌবা চেপ্টর অমনি হায়না লৌই। মসি সরকারদা মীয়ামদা য়েলহৌমীশিংবু কন্নবা পীবা খুদোল অমনি হায়না লৌই হায়না ঙসি নুমিদাংৱাইরম পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হেরিকোনগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী কনভেনর যাদুমনিনা ফোঙদোকখ্রে। অদুম ওইনমক পার্মিট সিষ্টেম অসি এসেমব্লি মীফমনা বিল ওইনা পাস তৌগদবনি হায়না শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবগী পুলিসনা ফাদুনা জেএন হোস্পিতালদা থল্লিবা ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কে বি শর্ম্মা কম্মিটিগী লুচিংবা অমসুং মীয়াম্না উন্নবা চৎলুবদা জেল ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদে হায়দুনা সেক্যুরিটিনা উন্নহল্লকখিদ্রে।

হেরিকোনগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা কনভনের যাদুমনিনা মখা তানা হায়খিবদা, জোইন্ট কম্মিটি অমসুং মণিপুর মীয়াম্না পান্থদি ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহন্নবগী রিজোলুসন অদু পাস তৌবা নত্তে। বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রেগুলেসন এক্ট ১৮৭৩ বু ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা চংনহনবনি। সরকারগী রিজোলুসন অসি অথুবদা ষ্টেট অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী মথৌ তাবা খুদিংমক সরকারনা অথুবদা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

কম্মিটি অসিনা আইএলপিগী মতাংদা চংশিল্লকপা ঈহৌদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীবগীদমক মীয়ামবু তৌবিমল খঙবা উৎচরি। প্রিন্ট ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী থৌদাংনা ঈহৌসিগী মায় পাকপগী অচৌবা মরম অমসুনি। কম্মিটি অসিগা চৎমিন্নরিবা মহৈরোই লুপশিংগী লুচিংবশিং, মহৈরোইশিংনা পীরকপা অচৌবা শাফুনা মীয়াম অমসুং পৃথিবীদা অচৌবা পরা অমা তমদুনা লৈহৌরগনি। ঈহৌ অসিদা শোকখিবা, পনখিবাময়াম অদু লৈবাক্কীনি হায়না খনবা অমসুং লৌরিবা থৌদাংশিং অদু ইকায়খুম্নে। খোঙজংসিদা মতেং পাংবীরকখিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংগী থৌদাংবুসু কম্মিটিগী মায়কৈদগী ইকায়খুম্নবা উৎলি। মখা তানা লৈবাক কন্নবা খোঙজংশিংদসু শরুক য়াবীদুনা মতেং পাংগনি হায়বগী আশা থল্লি।

হোস্পিতালনা নুমিৎ কয়ানি চরা হেন্দুনা লৈরিবা ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কে বি শর্ম্মনা আইএলপি দাবী ফংদ্রিবা ফাওবা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখিবা অসিনসু পান্দম অসিগী অচৌবা মায় পাকপগী শরুক অমনি। মখা তানা লৈবাক্কী ইশু কয়াদসু কখোকপা ঙম্বা কয়া থোরকপা ওইসনু। পার্মিট সিষ্টেম অসিবু পাস তৌনবা হোৎনবদা সিএমগী সিন্সরিটি অমদি মীয়ামগী অপাঙ্গা খঙবীদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদুগীদমক মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ওপোজিসন লিদর আই ইবোহলবীনা এসেমব্লিদা আইএলপিগী মতাংদা পুখৎখিবা অমসুং মহাক্কা লোয়ননা এমএলএ কয়ানা থৱায় য়াওনা রিজোলুসন পাস তৌবদা মতেং পাংখিবা মতম খুদিংমক্তা কাওবা ঙমদনা লৈহৌরগনি।

অমরোমদনা কম্মিটিনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী ঙসি অহিং নোংয়াই ফাওবা লাওথোকখিবা ইমরজেন্সি হন্দোক্লে। রেলৱেদা থম্বা অথিংবসু কোমথোক্লে। অদুবু তাইওন্নবা মওংদা মীতোপ পুশিল্লকপদি পার্মিট সিষ্টেম চংনদ্রিবা ফাওবা অথিংবা থমগনি হায়খি।

কম্মিটিগী কো কনভেনর চুরামনিনা ফোঙদোকখিবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চংশিনখিবা ঈহৌদা মহৈরোই, নহারোল অমসুং ইমা-ইবেল কয়া শা-যনগুম্না ফুন্দুনা ইন হ্যুমেন ওইবা থবক থৌওং কয়া চৎখিবা, কে বি শর্ম্মদা য়োৎলিনা পুনবা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট শোকহনবা থবক মতুং তৌবীগনু। মীয়াম্না চংশিল্লিবা লৈবাক্কী ইশুশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগীসু য়াওরিবনি। অমরোমদা আইএলপি অসি মীয়ামগী ওইবা তুংগী ইন্দিজিনস পিপলসশিংগী লাইবক লেপকদবা এক্ট ওইবনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌনা লিংজেলগা লোয়ননা চেক অমসুং বেলেন্স তৌদুনা মওং তানা চংননবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।